# মিজোরামদা মহৈ মরোং থাবা লৌবুক কয়া উচিনা এটেক চথদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে



আইজোল, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মহৈ মরোং থাবা লৌবুকশিংদা মশিং য়াম্লবা উচিশিংনা এটেক চথদুনা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না ষ্টেট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দিরেক্টর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ মিজোরাম জেমস লালসিয়ামলিয়ানানা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মিজোরামগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ দা লৈবা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গং ৩৩ দা মশিং য়াম্লবা উচিশিংনা লৌবুক্তা থারিবা ফৌশিং পাক্তক্লনা মাঙহনবগী রিপোর্ট লৈরে। উচিনা এটেক চথখিবা মফমশিংগী মনুংদা মিজোরাম অমসুং বংলাদেশ ঙমখৈগা নক্লনা লৈরিবা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রুরেল দিবলপমেন্ট ব্লোক অহুম লুংলৈ, লুংসেন অমসুং বুংমুন অমদি ত্রিপুরাগা তাইননা লৈবা মমিৎ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱেষ্ট ফৈলেং ব্লোক্তনা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা চাওনা লম হেক্টর ২৯৫.৬ তা থাবা ফৌশিং অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

দিরেক্টর জেমসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী থাজনবী মতুংইন্না, লমদম অসিদা হৌরিবা ৱা পান্দীশিং অসি চহী খরা কান্ন-কান্নরগা মপান শাই। ৱানা মপান শারকপা মতমদা উচি মশিং খঙহেন হেনগৎলি। অদুবু ৱা মপান শাবগী মতম অসি মীয়াম্না থাজনবগী মতুং ইন্না লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ দনি। অদুবু মতম নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা উচি মশিং হেনগৎলকপা ওইরম্বা য়াই হায়নসু থাজনরি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা উচিগী মশিং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা মহৈ মরোং কয়া মাঙহন তাকহল্লিবা অসিদগী থিংনবা লৌমীশিংদা এৱারনেস প্রোগ্রামশিং পীবা হৌখিবগা লোয়ননা উচিনা কা হেন্না শোকহল্লবা লৌফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা উচি হাৎপা অমদি লৌমীশিংদা উচি হাৎনবা হূ য়েন্থোকপগী থবকসু চথবা হৌখ্রে। মহৈ মরোং কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখিবা অসিনা ষ্টেট অসিদা ফৌথোক হন্থহল্লকপা য়ানা লৈ হায়রি।

# টি বি নাহল্লক্তনবা হোৎনবদা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অমদি মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাওই



আইজোল, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদগী ট্যুবরকুলোসিস (টি বি) মপুঙ ফানা মুথৎনবা হোৎনবদা লায়না অসিগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রামশিং য়াম্না তোইনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিগী মতাংদা মুন্না খঙদুনা থবক তৌরবদি অথুবা মতমদা লৈবাক অসিদগী টি বি মপুঙ ফানা মুথৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা মিজোরামদগী অমদি লৈবাক অসিদগী লায়না লায়চৎ মখল অসি মপুঙ ফানা মুথৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়না মিজোরামগী গভর্নর ড. হরি বাবু কম্ভমপতিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি টি বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা লৈরিবা নিক্সে ওনলাইন প্লেটফোর্মগী মখাদা টি বি পেসেন্ট অমমম এদোপ্ত তৌরবদি য়াম্না থুনা লৈবাক অসিদগী টি বি মুথৎপা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা টি বি লায়না লায়চৎ অসি লৈবাক অসিদগী মপুঙ ফানা মুথৎতুনা টি বি ফ্রি কন্ত্রি অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। মালেমগী লৈবাকশিংনা টি বি মপুঙ ফানা মুথৎপগী পান্দম অসি লাক্লিবা কুমজা ২০৩০ ফাওবদা থল্লি। অদুবু অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী ঙনখৎনা ইন্দিয়ানা টি বি ফ্রি কন্ত্রি অমা ওইহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না মতেং পাংফম থোকই হায়রি। অমরোমদা ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এল লালথাংলিয়ানানা ফোঙদোকখিবদা, মমাং চহীদা ষ্টেট অসিগী ওইনা টি বিগী কেস ১৭০০ হেন্না থেংনখি অদুগা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ৭০ হেন্না শিহনখি। অদুবু মখা তানা টি বিনা ষ্টেট অসিদা মী শিহল্লগুমসি হায়রি।

# কষ্টদিদা শিখিবশিংগী ওইবা দিটেল রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা হায়কোর্টনা খঙহনখ্রে

শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): মেঘালয়া হায় কোর্টনা ষ্টেট অসিদা থোকখিবা কষ্টদিয়ল দেথশিংগী মপুঙ ফাবা রিপোর্ট অমা চয়োল তরুক্কী মনুংদা পীখৎলক্লবা মেঘালয়া গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট শিংগী মতুংইন্না, মেঘালয়া হায় কোর্টনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা চয়োল তরুক্কী মনুংদা কষ্টদিদা শিখিবশিংগী রিপোর্ট য়াওবা এফিদেবিদ অমা সবমিট তৌরক্লবা খঙহনখিবনি। মমাংদা হায়কোর্টনা চয়োল অনীগী মনুংদা দিটেল রিপোর্ট য়াওবা এফিদেবিদ অমা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রবা মতুং গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মতম খরা শাংদোকপীনবা হায়জরকখিবনি। মদুগী মতুং চয়োল ৬ তা শাংদোকখিবগা লোয়ননা জেল অমদি পুলিস কষ্টদিদা শিখিবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা দিটেল রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখিবনি। রিপোর্ট অদুদা মতৌ করম্না মীওই অদু শিখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা পনগদবনি। মরমদি কষ্টদিয়ল দেথশিংগী মতাংদা মতম পুন্বদা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি। মমাং মতমদা ষ্টেট অসিগী পুলিস কষ্টদিদা মীওই অমা শিখি। মীওই অদু পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংনা শিবা ওইরমগনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা সব ইন্সপেক্টর অমা সস্পেন্দ ফাওবা তৌখি। অদুবু পোষ্ট মোর্টেম তৌবা লোইরবা মতুং মীওই অদু কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিবনি হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

# ষ্টেট ফাইনান্সিয়ল ক্রাইসিসকী মতাংদা মতেং পাংবীনবা হায়জখ্রে

আইজোল, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মিজোরাম ষ্টেটকী ওইনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকখিবা অদুগী মতাংদা সেন্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবীনবা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরাথাঙানা হায়জখ্রে।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমনগা উনদুনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ইকনমিগী ফিভম অদুগী মতাংদা পাউদমখি। ষ্টেট অসিদা ম্যান্মার রিফ্যুজি কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অদুদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংলি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী ফন্দ কয়া রিফ্যুজিশিং অদুদা মতেং পাংবদা শিজিন্নরি। মসিগী মতাংদসু য়েংশিন্নবা হায়জখি হায়রি।

# ঙসি অসাম অমসুং মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর দেল্লিদা উন্নরগনি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): অসাম অমসুং মিজোরাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী মতাংদা চহী কয়া চয়েৎনদুনা লাকখিবা অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক মমাঙ থাদা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শানবা হৌখ্রবা মতুং মখা তানা হয়েং লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্ম অমসুং মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙা উন্নদুনা ৱারী শানরগনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা অনীরকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর অনীগী মরক্তা ৱারী শানগনি। অহানবগী রাউন্দদা শানখিবা ৱারীদা য়াশিন্নবা খরা পুরকখি। মদুগী মতুং মখা তানা ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনবশিং লৈহন্দনবগীদমক অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবা লেপ্পখিবনি। পনবা য়াবদি, মিজোরামনা মপুং ফানা ষ্টেটহুদ ফংখিবা চহী (১৯৮৭) অদুদগী হৌরগা ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাকখিবনি।

# শাবা লোয়দ্রিঙৈদা কিন্থরকপগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): ন্যু শিল্লোংদা অনৌবা এসেমব্লি বিল্ডিং অমা শাবগী থবক চথরিঙৈদা খঙহৌদনা বিল্ডিং অদুগী মথক থংবা শরুক নীংখায়খিবগী থৌদোক অদুবু ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শেম শাবগী থবক চথরিবা অদু য়েংশিনবা ৱাৎপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।



থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া টি এম সীগী সিনিয়র লিদর সাকেট গোখালেনা ফোঙদোকখিবদা, মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা এসেমব্লি বিল্ডিং শাবগী টেন্দর লাউখিবা অদুদা মতিক চাদবা বিদ্দরশিং খনবদগী লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা বিল্ডিং অসি শানবগী টেন্দর লাউখি। টেন্দর অসিদা বিদ্দর ওইনা কন্সট্রক্সন কম্পনি অহুম্না এপ্লাই তৌরকখি। এপ্লাই তৌরকখিবা কম্পনিশিং অদুদি এম এস বর্দি রাই এন্দ কম্পনি, মিজোরামদা বেজ তৌবা এম এস শিভ এন্টরপ্রাইজেস অমসুং উট্টর প্রদেশ রাজকিয়া নিরমন নিগম লিমিটেদনি।

এপ্লাই তৌরকখিবা কম্পনি অহুম অসিগী মনুংদা এম এস বর্দি রাই এন্দ কম্পনি অমসুং মিজোরামদা বেজ তৌবা এম এস শিভ এন্টরপ্রাইজেস বিল্ডিং অদু শাবদা মতিক চাবা কম্পনি ওইদে হায়দুনা দিসক্কালিফাইদ তৌখি। মদুগী মতুং লেমহৌরিবা কম্পনি উট্টর প্রদেশ রাজকিয়া নিরমন নিগম লিমিটেদতা বিল্ডিং অসি শাবগী থবক শিন্নখি। অদুবু হায়রিবা কম্পনি অসিনা মমাংদা বিল্ডিং অসি শাবগী ক্রাইটেরিয়া শুদে হায়দুনা দিসক্কালিফাইদ তৌখ্রবা অতোপ্পা কম্পনি অনী অদুদা বিল্ডিং অসি শাবগী থবক শিন্নথোক্লমখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অমা চথরম্বা অসিদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা খঙহৌদবা হায়বসি লাইবক থিবনি হায়রি।




মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোক্লিবা লিটরেরি কম কলচরেল ইভেন্ট ওন হিষ্টরি, কলচর এন্দ লিটরেচর ওফ মণিপুর এন্দ দাইএসপোরাগী নীনী চনবা নুমিৎ

## CROSSWORD-3650



### ACROSS

7 English county (4,3,4)
8 Covered walk with shops (6)
9 Water ice (6)
10 Mourn (6)
12 Shrewd (6)
13 Flightless bird (3)
14 Failed to catch (6)
16 Place of worship (6)
18 Cower (6)
20 Wearisome load (6)
22 Ungenerous behaviour (11)

### DOWN

1 Commotion (4)
2 Mad (6)
3 Gifted (8)
4 Likelihood (4)
5 Lebanese capital (6)
6 Eastern (8)
11 Beekeeper (8)
12 German motorway (8)
15 Unmarried (6)
17 Spoiled (6)
19 One of the Great Lakes (4)
21 Simple (4)

Solution 3649

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | T | T | L | E | | P | A | R | R | O | T |
| A | | R | | A | | | | M | | A | | A |
| S | T | A | M | P | | M | O | N | I | T | O | R |
| I | | I | | S | | I | | E | | I | | G |
| C | O | N | K | E | R | S | | S | H | O | N | E |
| S | | E | | | | E | | T | | | | T |
| | | D | E | S | T | R | O | Y | E | D | | |
| A | | | | P | | A | | | | E | | T |
| R | O | G | U | E | | B | I | C | Y | C | L | E |
| A | | R | | C | | L | | R | | E | | A |
| B | R | I | T | T | L | E | | A | M | A | S | S |
| I | | L | | R | | | | T | | S | | E |
| C | A | L | L | E | D | | B | E | H | E | A | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4050

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | | | | | | |
| | | | 3 | 6 | 8 | | | |
| 8 | | 4 | | | | 3 | | |
| | 9 | | 8 | 3 | | | 5 | |
| 6 | 1 | | | | | | 4 | 3 |
| | 2 | | | 1 | 9 | | 7 | |
| | | 9 | | | | 7 | | 6 |
| | | | 9 | 5 | 1 | | | |
| | | | | | | 1 | | |

### Solution-4049

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 6 | 9 | 1 | 8 | 7 | 4 | 5 |
| 4 | 1 | 8 | 3 | 7 | 5 | 2 | 9 | 6 |
| 5 | 9 | 7 | 4 | 6 | 2 | 1 | 8 | 3 |
| 7 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 9 | 3 | 2 |
| 6 | 3 | 9 | 7 | 2 | 1 | 8 | 5 | 4 |
| 2 | 4 | 5 | 8 | 3 | 9 | 6 | 1 | 7 |
| 8 | 6 | 2 | 1 | 5 | 4 | 3 | 7 | 9 |
| 1 | 5 | 3 | 6 | 9 | 7 | 4 | 2 | 8 |
| 9 | 7 | 4 | 2 | 8 | 3 | 5 | 6 | 1 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### NAGALAND UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT PROFESSOR

Nagaland University Assistant Professors Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Professors in Nagaland University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 September 2022. Candidates can check the latest Nagaland University Recruitment 2022 Assistant Professors Vacancy 2022 details and apply online at the nagalanduniversity.ac.in/ recruitment 2022 page.
Nagaland University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nagalanduniversity.ac.in/. Nagaland University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nagalanduniversity.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Nagaland University
invites applications for recruitment of Assistant Professors
Assistant Professors
Job Location:
HQ: Lumami, Zunheboto, 798627 Nagaland
Last Date: 30 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 3 Posts
Nagaland University
Nagaland University Recruitment 2022 Details
Job Role Assistant Professors
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 3 Posts
Job Locations Zunheboto
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Professors in Nagaland University.
How to Apply:
Candidates must apply for Nagaland University Recruitment 2022 before 30/09/2022 The procedure to apply for the Nagaland University Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit Nagaland University official website nagalanduniversity.ac.in
Step 2: Search for Nagaland University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the Nagaland University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 13 September 2022
Last date for application is: 30 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### SMU RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT PROFESSOR, ASSOCIATE PROFESSOR

Sikkim Manipal University Assistant Professor, Associate Professor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Professor, Associate Professor in Sikkim Manipal University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23 September 2022. Candidates can check the latest Sikkim Manipal University Recruitment 2022 Assistant Professor, Associate Professor Vacancy 2022 details and apply online at the smu.edu.in/ recruitment 2022 page.
Sikkim Manipal University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ smu.edu.in/. Sikkim Manipal University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Sikkim. More details of smu.edu.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Sikkim Manipal University (SMU)
invites applications for recruitment of Assistant Professor, Associate Professor
Assistant Professor, Associate Professor
Job Location:
-, Gangtok, - East Sikkim
Last Date: 23 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: Various Post Posts
Sikkim Manipal University (SMU)
Sikkim Manipal University (SMU) Recruitment 2022 Details
Company Sikkim Manipal University
Job Role Assistant Professor, Associate Professor
Education Requirement
Total Vacancy Various Post
Job Locations Gangtok
Experience 3 - 8 years
Salary Not Disclosed
Educational Qualification: DNB
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Professor, Associate Professor in SMU.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for SMU Recruitment 2022 must complete the application process before 23/09/2022. Here we have attached the complete procedure to apply for the SMU Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the SMU official website smu.edu.in
Step 2: In the official site, look out for SMU Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Assistant Professor, Associate Professor, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the SMU Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 16 September 2022
Last date for application is: 23 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

